**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 06-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মতম খরা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পুরবা মতুংদা হৌখিবা অহিংদা তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চীংথক্কুগী নোংমৈ কাপথরকখ্রে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা অষ্টালক্ষ্মি মহোৎসব হৌদোক্লগনি।

অমসুং

৩) জ্দিসিয়ারিশিংনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগী মাইকৈদা থৱায় য়াওনা থবক তৌনবা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি।

------

নোংমৈ (এল)ঃ মতম খরা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পুরবা মতুংদা হৌখিবা অহিংদা তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চীংথক্কুগী নোংমৈ কাপথরকখ্রে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ফৌগাকচাউ ইখায়দা ঙরাং অহিং নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে। নুমিদাং পুং ৮ মখায়রোম তারকপা অদুৱাইদা চীংথকলোমদগী ফৌগাকচাউ ইখায় অৱাং লৈকাই তমা মিনিত ৪০ রোম চুপনা নোংমৈ কাপথরকখি হায়রি। মফম অদুদা মথৌ তৌরিবা ষ্টেট ফোর্স অমদি ভিলেজ ভোলুন্তিয়ারশিংনসু খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। মদুগী তুংদা ত্রোংলাউবী মপানদসু মখা তানা নোংমৈ কাপথরকখি। নোংমৈ কাপথরকপা অদু নুমিদাং পুং ১০ হেনবা অদুৱাই ফাওবা চথুখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্টকী সনাশাবীদসু ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ মখায়রোম তারকপা অদুৱাইদা থমাপোকপীগী মনিংদা লৈবা উয়োক চীংদগী নোংমৈ রাউন্দ

কয়ামরুম কাপথরকখ্রে হায়রি। মফম অদুদা ঙাক শেল্লিবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগীসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। নোংমৈ কাপবা অদু নুমিদাং পুং ১১ ফাওবা চখ্খি। অদুমওইনমক থৌদোকশিং অদুদা অশোক অপন থোকখিবগী পাউদি লৈতে।

খোঙচৎ (এল)ঃ হৌখিবা নবেম্বর ২৫ গী অয়ুক্তা লৈমাখোংদা লৈবা ৫৭ শুবা মাউন্টেন দিভিজনগী হেদক্বাটরদা চৎখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরিবা কমলবাবুগী লংলং লংজিল পুথোরকউ অমসুং খুল ঙাকপশিং ফাবা য়ারোই হায়বা দাবী তৌরদুনা ঙরাং নুমিদাং মশিং য়াম্লবা নুপীশিংনা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী পরিংদা মৈরাগী খোঙচৎ চৎখ্রে। খোঙচৎ অদুদা লাইফম খুনৌ, লৈ ইংখোল অমদি শংঙাকফমগী মৈরা পায়বীশিং শরুক য়াখি।

কেভিকে (এল)ঃ আই.সি.এ.আর-কে.ভি.কে তমেংলোং অমদি আহ.সি.এ.আর রিছার্স কমপ্লেক্স লমফেলপাৎনা পুন্না শিন্দুনা কৃশি সমারিধি স্বারনা ৱিক কম ফারমর্স ফিয়ার ঙরাংদগী নমদোনলুং ভিলেজদা হৌখ্রে।

মেলা অদুদা লৈ, মনা মশিং, উহৈ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিংগী ষ্টোল তরা হাংলি। নুমিৎ ৭ নি চখ্খগদবা মেলা অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা লৌমীশিংনা শরুক য়ারি।

অমরোমদা, ৱার্ল্ড সোইল ডেগী থৌরমসু ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

জিরি (এল)ঃ মণিপুরী সোর্ট ষ্টোরি সোসাইতি ইন্দিয়াগী রাজকুমার সিতলজিৎ সিংহ লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ কুমশি চহিগী ওইনা জারিবোন থিংঙোম খুলদগী লৌরেম্বম নিনা দেবীদা পীরগনি । সিনাম তনুবাবু সিংহ মেমোরিয়েল ইন্তরনেসনেল এৱার্দ ২০২৪ না শোরোকখাইবম দেবেন্দ্রনা ইবা- বোলনা কোইথোক্লুবদা হায়বা লাইরিক্তা পীরগনি। থা অসিগী ২৫ দগী ২৭ ফাওবা অসামগী শিবসাগর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা হসোরাগী সিংহাদ্বার কম্যুনিতি হোল অমদি সিমুলগুরি বরকলা জগনাথ মন্দিরদা পাঙথোক্কদবা সোসাইতি

অসিগী ৩১ শুবা চহিগী মীফমদা মনাশিং অসি লানথোক্কনি। মনাশিং অসিদা সোল, সাইতেসন অমসুং শেল য়াওরি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা অষ্টালক্সমি মহোৎসব হৌদোক্লগনি। নুমিৎ হুমি চথগদৌরিবা মহোৎসব অসিদা অৱাং নোংপোক রাজ্য ৮ গী কলা সংস্কৃতি, খুৎ-শা হৈবা, লম কোইফমশিং অমসুং মরুওইবা পোথোক কয়া উৎকদৌরি।

মহোৎসব অসিদা আর্তিসান ২৫০ হেনবনা হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটসকী পোথোকশিং উৎকদৌরি। জি.আই. টেগ ফংলবা পোৎলম ৩৪ য়াওনা লৌউ শিংউ অমসুং হৈ-রাগা মরী লৈনবা পোথোক কয়াসু উৎকদৌরি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- মহোৎসব অসিগী মনুংদা ফেসন সো, দিজাইন কনক্লেভ অমসুং বায়র-সেল্লর মিটনচিংবসু পাঙথোক্কনি।

রাষ্ট্রপতি ঃ জ্‌দিসিয়ারিশিংনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগী মাইকৈদা থৱায় য়াওনা থবক তৌনবা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি।

নুমিৎ মঙানিগী উরিষা খোঙচৎতা লৈরিবী রাষ্ট্রপতিনা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ভুবনেশ্বরদা নৌনা শেমগৎপা কোর্ট কমপ্লেক্স অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা হায়- আইনগী লমদা থবক তৌরিবশিংনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনবদা মতম কুইনা চংবনা লাইরবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। মহাকা হায়- লোইলম সাসন মতমদগী চৎনরকপা ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী মতম লোইরদুনা নৌনা শেল্লবা ভারতিয়া নিয়াই সংহিতানা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল হেন্না লাইনা ফংহন্নবা হোৎনরি। অনৌবা আইন অসিগী মখাদা মীয়ামা অকিবা লৈতনা পুলিস অমদি কোর্টতা চত্তুনা ৱাকৎপদা হেন্না লাইথোকহল্লি। মহাকা হায়- নীংতম্লবা ভারতকী কোর্ট, পুলিস ষ্টেসন অমসুং সরকারগী ওফিসশিংদা মীয়ামা অকিবা লৈতনা মখোয়গী দরকার লৈবশিং থবক্তা ওন্থোকবা চৎকদবনি।

মহারাষ্ট্র ঃ বি.জে.পি লুচিংবা দেবেন্দ্র ফদনাবিস মহরাষ্ট্রগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙরাং ৱাশক লৌখ্রে। ৱাশক লৌবগী থৌরম মুম্বাইগী ঐতিহাসিক ওইরবা অজাদ মৈদানদা পাঙথোকখি। রাজ্যপাল সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা মহাকপু থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। দেবেন্দ্র ফদনাবিসকা লোয়ননা শিব সেনা লুচিংবা একথান সিন্দে অমসুং এন.সি.পি লুচিংবা অজিৎ পাৱার উপ-মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং, এন.দি.এনা সাসন তৌবা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং, দলগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অমসুং মহাযুতিগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

দেবেন্দ্র ফদনাবিসনা মুখ্য মন্ত্রি ওইবা অসি হন্দক্কী অসিগা থারগা অহুম্লক শুবনি। নিংশিংবা য়াই, মমাং থাদা পাঙথোকখিবা সিট ২৮৮ লৈবা রাজ্য বিধান সভা মীখলদা মহাযুতিগী চুংশিন্নবা কাংবুনা সিট ২৩০ ফংখিবনি।

ঝারখন্দ ঃ ঝারখন্দদা মন্ত্রি ১১ হাপচিনদুনা মুখ্য মন্ত্রি হেমন্ত সোরেনগী মন্ত্রি মন্দল চাউথোকখ্রে। রাঞ্চিদা লৈবা রাজ ভবনদা পাঙথোকপা থৌরমদা রাজ্যপাল শন্তোস কুমার গেঙ্গৱারনা মন্ত্রি ১১ অদুবু থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। ৱাশক লৌখিবা মন্ত্রিশিংগী মনুংদা- ঝারখন্দ মুক্তি মোর্চাগী ৬, কংগ্রেসকী ৪ অমসুং আর.জে.দিগী ১ নি। মদুগী মমাংদা রাজপালনা জে.এম.এমগী লুচিংবা ষ্টেফেন মরান্দিবু প্রোটেম স্পিকর ওইনা ৱাশক লৌখি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা রাজ্য বিধান সভা মীখলদা ইন্দিয়া ব্লোকনা চাউনা মায় পাক্লুনা জে.এম.এম লুচিংবা হেমন্ট সোরেনবু মমাং থাগী ২৮ দা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখিবনি।

সংসদ ঃ বি.জে.পিগী সদস্য নিশিকান্ট দুবেনা শন্বল ৱাথোক্কী মতাংদা কংগ্রেসকী লুচিংবশিংদা মরাল শিখিবা অদুগা মরী লৈননা বিরোধি দলশিংনা

চরাংনবা থোকপদগী লোক সভাগী মীফম ঙরাং নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখি। অহানবগী ওইনা য়ৈথোক্লুরবা মতুং নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা সভাগী মীফম অমুক হন্না ফম্বদা রেলৱে মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা রেলৱে এমেন্দমেন্দ বিল ২০২৪ গী মতাংদা পাউখুম পীনবা হোৎনরিঙৈদা বিরোধি দলশিংনা চরাংনবা থোরকপদগী সভাগী মীফম ঙসিগী ওইনা য়ৈথোকখিবনি।

পোষ্ট ঃ সরকারনা হায়রি- লৈবাক অসিদা কিলোমিতর অহুমনা কোনবা মফমশিংদা পোষ্ট ওফিস অমমম থমবা থৌরাং তৌরি। রাজ্য সভাদা হংলকপা ৱাহং অমসুং মসিগী মখা তাবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা কম্ম্যুনিকেসগী রাজ্য মন্ত্রি চন্দ্রসেখর পেমাসানিনা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা অনৌবা পোষ্ট ওফিস লিশিং ১০,৫০০ হাংদোক্লে। মসিগী মনুংদা চাদা ৯০ দি খুঙ্গংগী লমদনি। মহাকা হায়- অনৌবা পোষ্ট ওফিসশিং অসিগী মনুংদা পোষ্ট ওফিস লিশিং ৫ হেনবদি লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজমনা শোকহল্লবা মফমশিংদা লৈরি। হৌখিবা চহি মঙা অসিদা পোষ্টেল দিপার্টমেন্টকী কর্ম্মচারিশিং মশিং হন্থহনবগী ৱাফম লৈতে হায়রদুনা মন্ত্রিনা হায়- হৌজিক লৈবাক অসিদা লৈরিবা পোষ্ট ওফিস লাখ ১ লিশিং ৬৫ হেনবদা কর্ম্মচারি লাখ ৪ লিশিং ৫০ রোম থবক তৌরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাহন্স---

মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা দিল্লিদা খোঙজং চংশিনগদৌরি, মীচেন ওইখ্রবা রেপ কনভিক্ত অমা সি.বি.আইদা থিগৎনবা মণিপুর হাই কোর্টকী ৱাফম সুপ্রিম কোর্টনা চৎনহনখিদবা অমসুং কাংচুপ চীংখোঙদগী খুল ঙাকপা অহুম সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখিবদগী ইরাং থোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি ৱারোইশিন পুরকউ হায়বা দাবী তৌরদুনা দিল্লিদা খোঙজং চংশিনবগী পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুর ইদিসন, পোকফম, মণিপুর মেল, মোর্নিং বেল, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন

লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর নিউজ অমসুং সনালৈবাক পাউচেদা অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- কৌত্রুক দ্রোন বোম্বিংগা মরী লৈননা এন.আই.এনা কোর্টতা ওদিও-ভিদিও রেকোর্দিং লানখৎখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। বোসেমগী চেয়ারমেন হাপবা দিমান্দগী খোঙজংদা ফেসোক্কা পুলিসকা অকনবা মওংদা মুকখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

চুরান্দপুরদা মী ১২ লৈরোল চনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে, কুকি-জো ভোলুন্তিয়ার ১০ শিখিবগী থৌদোক জ্‌দিসিয়েল ইনক্কারি তৌনবা অমিত সাহ্‌দা হায়জখ্রে হায়বা পাউ পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। লৈমাখোং এরিয়াদা ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্ট অমসুং রিফ্যুজিশিংনা অকায়বা পীরে হায়না নাগা কমিতিগী ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্তা লান হৌরিবা লালহৌলুপশিংদা বঙ্গলাদেশনা মতেং পাংশিনগদবনি হায়বা ধাকা য়ুনিভর্সিতিগী প্রোফেসার ওইরম্বা ডাঃ সয়িদ দুজামানগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। মণিপুরগী ইসু খন্ননবা হাউসতা পুখৎলকপদা বি.জে.পি লৈঙাকা নাথৈদুনা লৈরে হায়বা এম.পি- শুস্মিতা দেবগী ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজদা-মণিপুরগী নেসনেল হাইৱেগী শরুক্তা কিলোমিতর লিশিং ২,১১২ হৌখিবা চহি মঙাগী মতমসিদা রিপয়ারিং তৌবা লোইখ্রে হায়বা নিতিন গদকারিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। মীচেল ওইখ্রবা রেপ কনভিক্ট অমা সি.বি.আইদা থিগৎনবা মণিপুর হাই কোর্টকী ৱাফম সুপ্রিম কোর্টনা চৎনহনখিদ্রে হায়বা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং মোর্নিংল বেলদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- কমলবাবু মাংখিবগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা চীফ মিনিষ্টরগা উন্নখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি মোর্নিং বেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- খুল ঙাকপা অনি ফাখ্রে, মীয়াম হৌরক্তুনা লম্বী থিংখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদা সি.আর.পি.এফনা খুল ঙাকপনি হায়বা মীওই অহুম ফাবগী ৱাহৌদা লমশাং মাইকৈদা ইরাং চাউনা থোক্লমগদৌরে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনালৈবাক্তসু অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইম্ফাল সিতিগী ষ্ট্রিট লেম্প নুমিৎ হেক তাবগা মৈসু মমলে, ৱাখলসু থোক্লে, ষ্ট্রিট লেম্প লিশিং ২,৪৯৯ গী মনুংদা লিশিং ১ ঙানদ্রে ভুৎ থোক্লবা সিতিগা মান্নরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- নোনে দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জরনেলিষ্ট যুনিয়নগী অহুমসুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি গানফিউ মেলদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- নাগাশিংনা খুন্দারিবা মফমশিংদা চথরিবা ঙমখৈ শন্বল খাবগী থৌওং য়াবা ঙমলোই হায়বা নাগা আর্মি চীফকী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------